

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, SEPTEMBER 11, 2017 PAGE 7


*ইটালিগী সিটি সান মারিনোদা পাঙথোকপা সান মারিনো গ্রান্দ প্রি মোটোজিপিগী কম্পিটিসনগী মিসানো সার্কুইটতা মকোক থোংবা ঙমখ্রবা স্পেনগী ড্রাইভর মার্ক মার্কিজ*

*ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা থোক্লকপা টেষ্ট ক্রিকেট বোলরশিংগী রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান ওইরম্বদগী হন্থরগা নম্বর টুদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী বোলর রবিন্দ্র জাদেজা*



## যুএস ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল যুএসকী স্লোনে ষ্টেফেন্সনা লৌখ্রে মিক্স দবলসকী টাইটলনা স্বিজরলেন্দগী হিঙ্গিস অমদি বৃটেনগী মুরেনা ফংখ্রে



*যুএস ওপন টেন্নিসকী নুপীগী চেম্পিয়ন যুএসকী স্লোনে ষ্টেফেন্স (য়েৎ) অমদি রন্নর্স অপ তাখ্রবী যুএসকী মেদিসন কিজ*

*ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ১০ঃ*

চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা যুএস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু যুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্সনা লৌখ্রে, মিক্স দবলসকী টাইটল অদুনা স্বিজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিস অমদি বৃটেনগী জেমি মুরেনা ফংবা ঙমখ্রে।

যুএস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা যুএসএগী শান্নরোই অনীগী লম্বাদা স্লোনে ষ্টেফেন্সনা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী মেদিসন কিজবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইরমখি।

নীংশিংবা য়াবদি স্লোনে ষ্টেফেন্সনা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৯ শুবা সিদেদ যুএসকী ভেনস ৱিলিয়মসপু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা ষ্টেফেন্সকী ফাইনেলদা লম্বা ওইখিবী অতোপ্পা যুএসএগী শান্নরোই মেদিসন কিজনা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা অতোপ্পা যুএসএগী শান্নরোই কোকো ভান্দিৱেগিবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইরমখি।

যুএসকী স্লোনে ষ্টেফেন্স অমদি মেদিসন কিজনা ঙরাং শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু ষ্টেফেন্সনা কিজগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা স্লোনে ষ্টেফেন্সকী মায়কৈদগী য়াম্না হেনবা মওংদা অনীশুবা সেট অদু শান্নরক্তুনা মহাক্কী লম্বা ওইখিবী মেদিসন কিজগী সার্ভিস গেম অহুম্মক ব্রেক তৌদুনা ৬–০ দা থোইদুনা যুএস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু অহানবা ওইনা লৌবা ঙমখিবনি।

যুএস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ পেয়র স্বিজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিস অমদি বৃটেনগী জেমি মুরেনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩ শুবা সিদেদ পেয়র চাইনিজ তাইপৈগী চান হাও চিং অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী মাইকেল ভেনসপু সেট ২–১ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।



*যুএস ওপন টেন্নিসকী মিক্স দবলসকী চেম্পিয়ন বৃটেনগী মুরে অমদি স্বিজরলেন্দগী হিঙ্গিস*

মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু স্বিজরলেন্দগী হিঙ্গিস অমদি বৃটেনগী মুরেনা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা চান হাও চিং অমদি মাইকেল ভেনসকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোথরবা চান অমসুং ভেনসনা অনীশুবা সেট অদুদা ফজবা মশান্না উত্তুনা শান্নরকপদগী হিঙ্গিস অমদি মুরেগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা পেয়র অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা পেয়র অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরম্লবা মতুং লোইশিল্লকপদা হিঙ্গিস অমদি মুরেনা ফজবা হেনখিবদগী ১০–৮ দা থোইদুনা মিক্স দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

ঙসি অথেংবদা শান্নগদবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা স্পেনগী রাফেল নদাল অমদি সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসন লম্বা তৌনরগনি। অদুগা নুপীগী দবলস ফাইনেলদনা জেক রিপব্লিক্কী লুসি সফারোভা অমসুং কেটারিনা সিনিয়াকোভানা চাইনিজ তাইপৈগী চান য়ুং জান অমদি স্বিজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিসকা লম্বা তৌনরগনি।

## যুক্রেনদা পাঙথোকপা খার্কিভ ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপা অমসুং মিক্স দবলসকী টাইটল ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা লৌবা ঙমখ্রে



*মিক্স দবলসকী টাইটল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী নন্দগোপাল অমসুং মহিমা অগরৱাল*

*খার্কিভ, সেপ্টেম্বর ১০ঃ*

যুক্রেনগী সিটি খার্কিভদা পাঙথোক্লিবা খার্কিভ ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা নুপাগী দবলস অমসুং মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি খার্কিভ সিটিদা পাঙথোকখিবা নুপাগী দলবসকী ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই কে নন্দগোপাল অমসুং রোহন কাপুরনা অতোপ্পা ইনিদয়াগী পেয়র ফ্রান্সিস অলৱিন অমদি কোনা তরুনবু মায়থিবা পীদুনা টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

নন্দগোপাল অমসুং রোহন কাপুরনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেয়র ফ্রান্সিস অলৱিন অমসুং কোনা তরুনগা ফাইনেল লম্বা তৌনরকপদা অহানবা গেম অদু ১৮–২১ দা মায়থিরবা মতুং অনীশুবা গেমদা য়াম্না নক্লবা লম্বা অমদা ২৪–২২ দা মায় পাকপদগী টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী দবলসকী চেম্পিয়ন অদু মশক খঙনবগীদমক অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদু শান্নরকখি।

নুপাগী দবলসকী দিসাইদিং গেম অদুদা ইন্দিয়াগী কে নন দগোপাল অমসুং রোহন কাপুরনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনী ফ্রান্সিস অরৱিন অমসুং কোনা তরুনবু ২১–১৮ দা থোইদুনা নুপাগী দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা ইনিদয়াগী কে নন্দগোপাল অমসুং মহিমা অগরৱালনা ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিদা মকোক থোংবা পেয়র ওইখিবা সৌরব শর্ম্মা অমসুং অনোস্কা পারিকপু শুপ্নগী পুংখাই অমগী মেটচ অদুদা ২১–১৪, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা মিক্স দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা ইনিদয়াগী অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী শ্রি কৃষ্ণপ্রিয়া কুদরাভালিনা খার্কিভ ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক যুক্রেনগী শান্নরোই নটালিয়া ভোয়সেক্কা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেম অদু ইন্দিয়াগী প্রিয়ানা ২১–১৮ দা থোইখি।

অনীশুবা গেমদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু যুক্রেনগী নটালিয়ানা ইন্দিয়াগী শান্নরোইঅদুবু খুদুম চন্দুনা ২১–১৬ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক গেম অমমম মান্নখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা ইন্দিয়াগী প্রিয়া অমসুং যুক্রেনগী নটালিয়ানা য়াম্না কন্না লম্বা তৌনরবা মতুং টুর্নামন্ট অদুগী য়ুম্বু যুক্রেনগী নটালিয়ানা ইন্দিয়াগী প্রিয়াবু ২৩–২১ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

## ৱার্ল্ড চেছ কপ্তা ইন্দিয়াগী সেথুরমনগা নেদরলেন্দসকী অনিস গিরিগা দ্রো চংখ্রে



*ৱার্ল্ড চেছ কপতা নেদরলেন্দসকী অনিস গিরিগা দ্রো চংখিবা ইন্দিয়াগী সেথুরমন*

*বিলিসি, সেপ্টেম্বর ১০ঃ*

জিওর্জিয়াগী সিটি বিলিসিদা চথরিবা ৱার্ল্ড চেছ কপকী অহুমশুবা রাউন্দগী অহানবা গেমদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর এস পি সেথুরমন নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিস গিরিগা দ্রো চংখ্রে।

জিওর্জিয়াগী সিটি বিলিসিদা পাঙথোক্লিবা ৱার্ল্ড চেছ কপ টুর্নামেন্ট অসি হৌরকপগী রাউন্দশিংদা মায়োক্লরিবা শান্নরোই অনীনা গেম ২ / ২ গী লম্বা তৌনবনি। করিগুম্বা অহানবা গেমদা মায় পাকখিবা শান্নরোই অদুনা মহাক্কী মায়োক্লবা লম্বা অদুগা অনীশুবা গেম থেংনবদা অহেনবা খুদোংচাবা লৈগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা গ্রান্দমাষ্টর এসপি সেথুরমননা মঙোন্দগী থাক ৱাংনা লৈরিবা নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিস গিরিগা শান্নবদা দ্রো চত্তুনা অহুমশুবা রাউন্দ অদুদা য়াম্না ফজবা ফিভমদা লৈরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা অহানবা ক্লাসিকেল গেম অনী দ্রো চৎলবদি থংনবা গেমদা রেপিদ গেম শান্নদুনা মায় পাকপা শান্নরোই অদু মশক খঙদোক্লবা হোৎনবগী চৎনবী লৈরি।

মদু ফাওবা শান্নরোই অনী দ্রো চৎপা তারবদি ব্লিটজ গেম শান্নদুনা শান্নরোই অনীগী মরক্তা অহেনবা অদু খঙদোক্লবা চেম্পিয়নসিপ অসিগী চৎন–পথাপ লৈরি।

ব্লিটচ গেম শান্নবা লোইবা ফাওবদা মায় পাকপা শান্নরোই অদু মশক খঙদোকপা ঙমদ্রবদি মশান্না অসিগী ওইনা অরোইবা উপাই ওইরিবা অর্মগেদন গেম শান্নদুনা মথংগী রাউন্দদা চঙগদৌরিবা শান্নরোই অদু মশক খঙদোকপগী চৎনবী লৈরি।

সেথুরমননা নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিস গিরিগা দ্রো চৎখ্রবা মতুং জিওর্জিয়াগী সিটি বিলিসিদা পাঙথোক্লিবা ৱার্ল্ড চেছ কপ টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই গ্রান্দমাষ্টর ভিদিত গুজরাথি চাইনাগী দিং লিরেনগা দ্রো চৎখি।

অহুমশুবা রাউন্দ অদুদা মালেমগী চেছকী নম্বর ৱান শান্নরোই ওইরিবা নোরৱেগী মেগনস কার্লসন চাইনাগী বু জিয়াংজিগী মখুত্তা মায়থিখি।

## মনিকা অমসুং অমলরাজনা ইন্দিয়াগী সাউথ জোন টিটি টাইটল লৌখ্রে



*ধরৱাদ, সেপ্টেম্বর ১০ঃ*

কর্নাতকাগী সিটি ধরৱাদতা পাঙথোকপা এলআইসি–আইওসি সাউথ জোন নেসনেল রেঙ্কিং টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্টতা মনিকা বত্রানা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে অদুগা নুপাগী ফাইনেলদা এ অমলরাজনা সরথ কমাল মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

সাউথ জোন নেসনেল রেঙ্কিং টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা মনিকা বত্রনা সুতিরথা মুখরজিবু গেম ৪–২ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

মনিকা অমসুং সুতিরথানা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অদুদা মনিকানা অহানবা গেম অদু ১১–৪ দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা গেম অদু সুতিরথানা ১১–৯ দা থোইরগা গেম অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা গেম মনিকানা ১১–৮ দা থোইরবা মতুং মরিশুবা গেম অদুদা সুতিরথা মুখরজিনা ১১–৭ দা থোইদুনা গেম অনী অনী মান্নদুনা লৈখি।

গেম ২–২ থোইনরবা মতুং মনিকানা সুতিরথাবু ৫শুবা গেম অদুদা য়াম্না নক্লবা লম্বাদা ১৩–১১ দা থোইরগা গেম ৩–২ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। ৬শুবা গেম অদুদা সুতিরথা মুখরজিবু মনিকা বত্রনা ১১–৭ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শান্নরোই সরথ কমালবু এ অমলরাজনা গেম ৪–৩ দা মায়থিবা পীখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহৌবা গেম অহুম ইন্দিয়াগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই সরথ কমালনা অমলরাজবু ১১–৫, ১১–৮, ১১–৯ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচঅদু গেম অদু ৩–০ দামাঙজিল থাখি।

অদুবু এ অমলরাজগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উৎলক্তুনা মখা তাবা গেম মরি ১১–২, ১১–৫, ১১–৮, ১১–৪ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু সরথ কমালদগী মুন্দুনা লৌবা ঙমখি।

## চহী নৌরিবী সিবানিনা আর্চরিগী অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রে

*বিজয়ৱারা, সেপ্টেম্বর ১০ঃ*

মশাগী চহী ৫ গা থা ৬ তা ঙাইহিরিবী সেরুকুরি দোল্লি সিবানিনা মিনট ১১ সেকেন্দ ১৯ দা মিটর ১০ শাংবা মফমদা তেঞ্জৈ ১০৩ কাপ্পুনা অনৌবা রেকোর্দ অমা ইনিদয়াগী আর্চর অসিনা থম্বা ঙমখ্রে।

ঙসি অন্ধ্র প্রদেশকী বিজয়ৱারদা লৈবা গোন্দারাগী বোলগা আর্চরি একাদেমীদা মশাগী চহী ৫ গা থা ৬ তা ঙাইহিরিবী সেরুকুরি দোল্লি সিবানিনা ইন্দিয়ান আর্চরিগী চৎন–পথাপকী ওইনা লৈরিবা কম্পাউন্দ বো অমসুং তেঞ্জৈ শিজিন্নরগা পাঙথোকখিবা পার্ফোমেন্স অদুদা অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবনি।

আর্চর অসিগী অপোকপা সেরুকুরি সত্যনরায়ননা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মচানুপী আর্চর সিবানিনা মহাক্কী প্রেক্তিষ্ট চথবা মতমদা য়ামদ্রবদা মিনট ১৩ হেন্না চঙখিবনি। অদুবু বিজয়ৱারাগী রেকোর্দ লৌননবগী পার্ফোমেন্স অদুদদি মহাক্না শোথরম্বা হিরম খুদিংমক নাথেরগা মিনট ১১ গা সেকেন্দ ১৯ দা মিটর ১০ শাংবা টার্গেটি অদুদা তেঞ্জৈ ১০৩ কাপ্পুনা অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবনি।

সেরুকুরি দোল্লি সিবানিনা ঙসি কাপখিবা আর্চরিগী পার্ফোমেন্স অদুনা এসিয়াগী ওইবা অনৌবা রেকোর্দ অমসু থম্বা ঙল্লিবনি। আর্চর অসিনা মিটর ১০ গী অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখ্রবা মতুং মিটর ২০ দসু মিনট ৫ গা সেকেন্দ ৮ দা তেঞ্জৈ ৩৬ কাপ্পুনা রেকোর্দ থম্বা ঙল্লি।

## আইসিসি টেষ্ট রেঙ্কিংগী বোলরগী লিষ্টতা ইন্দিয়াগী জাদেজা অনীশুবদা হন্থখ্রে

*দুবাই, সেপ্টেম্বর ১০ঃ*

মালেমগী ক্রিকেট শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লুপ ওইরিবা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আইসিসি) গী ময়ায় লোইশঙ ওইরিবা দুবাইদগী পীথোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী রবিন্দ্র জাদেজা মমাঙদা টেষ্ট বোলরগী নম্বর ৱান রেঙ্ক ওইরম্বদগী অনীশুবদা হন্থখ্রে।

রবিন্দ্র জাদেজানা আইসিসিগী বোলরশিংগী মনুংদা অনীশুবা পোজিসনদা হন্থরকখিবগা লোয়ননা ইংলেন্দগী বোলর জেমস এন্দরসননা মহাক্কী মহুৎ শিল্লগা বোলরশিংগী লিষ্টতা মকোক থোংবা ঙল্লি।

জেমস এন্দরসনগী মায়কৈদগী চৎলিবা ২০১৭–১৮ কী ক্রিকেট টুরদা ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নখিবা অহুমশুবা অমদি অরোইবা টেষ্ট মেটচ মায় পাকখিবা সেরিজ অদুদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেন কয়া আওট তাহন্দুনা য়াম্না ফজবা উৎখিদুনা নম্বর ৱানগী থাক অদু য়ৌরকপনি। অতোপ্পা ইনিদয়াগী বোলর রবিচন্দ্রন আস্বিন অহুমশুবা পোজিসনদগী হোংদনা লৈরি।

বেটসমেনশিংগী ওইবা লিষ্টতা ইন্দিয়াগী চিটেশ্বর পুজারানা মরিশুবা থাক্তা লৈদুনা ইনিদয়াগী নম্বর ৱান ওইরি। ইনিদয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন রাহুল অমসুং রহানে হান্না লৈরম্বা পোজিসনদগী হাইগৎতুনা ৯শুবা অমদি ১০শুবদা লৈরি।

## আর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেসিনা স্পেনগী বার্সেলোনাগী শান্নরোই অমা ওইনা হেটট্রিক ফংদুনা ইস্পানিয়োলবু লা লীগা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা পাঞ্জল ৫–০ দা থোইখ্রে



*ইস্পানিয়োলগী মায়োক্তা হেটট্রিক ফংখিবা বার্সেলোনাগী লিওনেল মেসিনা বোল অমা পুশিন্নবা হোৎনখিবা*

*বার্সেলোনা, সেপ্টেম্বর ১০ঃ*

য়ুরোপকী তোঙান–তোঙানবা ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ক্লবশিংনা শান্নরিবা লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা স্পেনগী লা লীগাগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই লিওনেল মেসিনা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী শান্নরকপদা ইস্পানিয়োলগী মায়োক্তা হেটট্রিক চনখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু মখোয়না ৫–০ দা থোইখি।

মমিং লৈরবা স্পেনগী ফুটবোল ক্লব বার্সেলোনানা য়ুম্বু ওইরগা বার্সেলোনাগী হোম গ্রাউন্দ কেম্প নৌদা শান্নখিবা লা লীগাগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা বার্সেলোনানা ইস্পানিয়োলগী মায়োক্তা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল অনীমক বার্সেলোনাগী ষ্ট্রাইকর মীয়াম্না খঙনরবা মকোক থোংবা শান্নরোই আর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসিনা শান্নবগী ২৬ শুবা অমসুং ৩৫ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অহানবা হাল্ফ অদু ইস্পানিয়োলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা বার্সেলোনানা ২–০ দা হেন্দুনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখিবা লিওনেল মেসিনা ৬৭ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেটচ অদুদা মহাক্কী হেটট্রিক ওইবা ঙমখি।

ইস্পানিয়োলগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাল্ফ অদুদা পাঞ্জল হনদাক্লবা হোৎনরিঙৈ বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী জেরাদ পিকে অমসুং লুই স্বারেজনা শান্নবগী ৮৭ অমসুং ৯০ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চল্লগা ইস্পানিয়োলবু মখোয়না ৫–০ দা থোইরগা মেটচ অদু লোইশিনখি।

অতোপ্পা লা লীগাগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা রিয়েল সোসাইদেদ অমসুং দির্পোটিভো লা কোরুগাগী মেটচ অমদা সোসাইদেদনা ৪–২ দা থোইখি।

অহানবা হাল্ফতা সোসাইদেদকী মায়কৈদগী য়াম্না ওন্না শান্নবগী ৩শুবা অমদি ৪শুবা মিনটতা জ্বানমী অমসুং এজরনা পাঞ্জল অনী চনখি। ২৭ শুবা মিনটতা কোরুনাগী লোপেজনা পাঞ্জল অমা হন্দোকখি।

কোরুনাগী মায়কৈদগী ফ্লোরিন এন্দোনিনা শান্নবগী ৫০ শুবা মিনটতা ইক্লোলাইজর অদু চন্দুনা সোসাইদেদপু মখোয়না অহেনবা প্রেসর পীরকখি। মদুগী ওন্ন–তৈনবদা সোসাইদেদকী মায়কৈদগী দিএগো লোরেন্টি অমসুং অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা এসরনা ৮৩শুবা অমসুং ৮৬ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না দির্পোটিভো লা কোরুনাবু ৪–২ দা থোইখি।

সেরি এগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অনীদা জুবেন্টসনা চৈবোভেরোনাবু ৩–০ দা থোইখি। অদুগা ইন্টর মিলাননা স্পাল ২০১৩ বু ২–০ দা থোইখি।

জুবেন্টসনা চৈবোভেরোনাগী মায়কৈদা হিগ্বান অমসুং দিবালানা অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল অমমম চল্লগা অনীশুবা হাল্ফতা ভেরোনাগী হেটৈমোজগী ওন গোল্দনা পাঞ্জল অহুম শুখিবনি। ইন্টর মিলানগী মায়কৈদগী মোরো আইকার্দিনা চনখিবা পেনাল্টিগী গোল অমসুং টিমমেট ইভান পেরিসিকনা মেটচকী অরোইবা মতমদা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা স্পাল ২০১৩ বু ২–০ দা থোইখি।